# কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতমদা ব্রোইলর য়েনশিং লোয়বা

ডো. সরাংথেম জেসমারানি

হৌজিক্কী মতমসিদা তমথীরবা লায়না কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতমসিদা চান-থক্লবগী অৱাবা কয়া অমা মায়োক্লবগী মরকসিদা ব্রোইলর মচিঞ্জাক ফংলক্তবসিসু অমনি। ঐখোয়গী লমদমসিদদি ব্রোইলর য়েন লোয়বা হায়বসিমক্তবু য়েন মচাদগী য়োন্দ্রিফাওবদা পীজরিবা মচিঞ্জাক, হীদাক-লাংথক, ফীদ সপ্লিমেন্ট ময়াম অসি মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ময়াম অসি ফংবদা ৱাশিল্লকপা মতমদদি য়েনশিংসি কুইনা থল্লগদি মশাগী অরূম্বা হন্থদুনা য়োনবদা অমাঙবা অমা ওইবদা নত্তনা য়োনবা মতমদসু মমল হন্থনা য়োনবফাওবা য়াওরি। মসিনা অমাঙবগী মথক্তা অমাঙবা অমা ওইহল্লি। লোকদাউন মতম অসিদা য়েন লোয়রিবা ইচিন-ইনাওশিংনা তৌবগদবা খরা নীংশিংজরি।

- ব্রোইলর য়োকপীরিবা ইচিন-ইনাওশিংনা ব্রোইলর মকোনসি য়াম্না লূ-নান্না থম্বীগনি। য়েঙ্গোন মনুংদা চঙড্রিঙৈদা অনানবা/অফবা ফি অমদি খোঙউপ শীজিন্নবীগনি। য়েন লোয়রিবা মকোন্দু নিংথিনা নুংশিৎ-নুংশা চংবা মফম ওইহনবীয়ু, য়েনশিং কুংশিননা থম্বীরোইদবনি অমদি মকোন্দা হাপ্লিবা ৱাই নৎত্রগা উ কুপশিংদু চোৎ-চোৎ লাওহনবীরোইদবনি। মসিদা য়াম্না তোয়না শেংদোকপগীসু থোইনা দরকার ওইদে। নুমিৎ নীনি মরক, হুমনি মরক্তা মকোন মনুংদা শুনু পানা চাইবীরগা চৈ অমনা মথক মখা ওনবীগনি। শুনু চাইবা মতমদসু য়েনবুনা ফমথরগা তপ্না চাইবীগনি। মরমদি শুনুগী মফোন্দু নুংশিৎনা হুম্বদা য়াওখিদনবা অমদি নাতোন্দা চঙদনবা।

- য়েঙ্গোনগী থোঙজিল মপান্দা খোঙ খূৎ লুপ্পবা দিসইনফেক্টেন্ট খুদম ওইনা হায়রবদা ফিনাইল, পোটাশ অসিনচিংবা অসি ঈশিংদা য়ানশিল্লগা থম্বীগনি অমদি মকোন চঙলমদাইদা মহী অসিদা খোঙ লুপ্লগা চঙবীগনি। মহি অসিসু নুমিৎ খুদিংগী শিনবীগনি।

- য়েঙ্গোল মনুংদা য়ারিবমখৈ উচি, উতিন, তীল-কাংশিং, উচেক-ৱায়াশিং, হুই-হৌদোং অসিনচিংবা ময়াম অসি চঙহনবীরোইদবনি।

- ফর্ম য়াম্না চাউনা তৌবা মফমদদি মী য়াম্না লৈবা ওইরগদি য়েনাও মচা শেন্নবগী অমা, পুঙ্কক চাউরকপগী অমা অমদি অচৌবগীনা অমা ওইহনবীগনি।



- করিগুম্বা মকোন শেংদোকপীবা তারগসু অমোৎ-অকায় খুদিংমক মকোন মনাক্তা কৈদৌনুংদা পৈদুনা থম্বীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাংহনবতা নত্তনা লায়না কয়া শন্দোকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

- য়েনশিং মৈদা মমিৎ-মনা য়াম্না শিংই। পুং ২৪ মৈ পীবসিনা য়েনশিং মচিঞ্জাক য়াম্না চাই অমদি লূম্বগী চাংসু হেনগৎলকই। মৈ হন্থনা পীবসিনা মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা অনা-অয়েক য়াওবগী চাং হন্থহল্লি। হঙ্গৎনা য়েংবা মতমদা নোংমদা পুং ২৪ মৈ পীবগা পুং ১ মৈ পীবগা পুং ৩ মৈ মুৎপগা অনীগী চাংদম্নবা মতমদসু য়েনগী ফীদ কনভর্সন ইফিসিএন্সিসি নোংমদা পুং অমা পীরগা পুং অহুম মুৎপসিনা হেল্লি।

হপ্তাগী য়েন মচিঞ্জাক পীজবা অমদি লুম্লকপগী চাং

| চহী (হপ্তা) | লূম্বগী চাং (গ্রাম) | নুংতিগী পীজবগী চাং (গ্রাম) য়েন অমগী |
|---|---|---|
| ১) | ১১০-৩০ | ১৪-২১ |
| ২) | ৩১৫-৩৯০ | ৩২-৬০ |
| ৩) | ৫৪০-৭৩৫ | ৫০-৭৭ |
| ৪) | ৮২৫-১১০০ | ৬৭-৯৪ |
| ৫) | ১১৮৫-১৪২৫ | ৯০-১১৫ |
| ৬) | ১৫৬০-১৮৮০ | ১০৫-১৩৫ |
| ৭) | ১৯২০-১৯৯০ | ১১৭-১৫২ |
| ৮) | ২১৯০-২৮২৫ | ১৫০-১৭০ |

মথক্তা থমজরিবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাংসি চাদা ৩০দগী হেন্না হন্থরগদি অকক্লবা মতমদা লুমগদবা ৱেট অদু য়ৌবা ফংলোই। মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবীগে হায়রগদি ব্রোইলর য়েন মচিঞ্জাক হেক চাবা হৌবদগী হন্থবীরোইদবনি, চাবা হৌবদগী নুমিৎ ৫-৭ লৈরবা মতুংদা হন্থবীগনি অদুগা হাপ্তা অমদা নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না তৌবিরোইদবনি।

- মচিঞ্জাক ফংলক্তবা মতমদা কংসিসু পীজবীবা য়াই। কংদা য়াওরিবা প্রোটিনগী চাংসি চাদা ২৫-৩৫নি। মিনরেলগী চাংনা চাদা ১০-১৫নি। অদুগা এমিনো এসিদকী চাংনা চাদা ৭-১০ য়াওই। কংদা প্রোটিনগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরগসু কেলসিয়মগী চাং নেমনা লৈরি। য়েনগী মচিঞ্জাক্তা কংনা চাদা ২০-২৫ শিল্লগসু য়েনগী অরূম্বদা থোইদোক্লা খেন্নবা লৈতে।

য়েন মচিঞ্জাক থাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঈশিংনা হান্না পীথকপীগনি। মসিগী মতুং মিনট ৫ লৈরগা মচিঞ্জাক পীজবীগনি। মচিঞ্জাক থারিঙৈ মতমদা য়েনবুনা য়েন্না চারিবা মচিঞ্জাক্তু মিনট ৫ মুক য়েংবদা করম্বা য়েন্না চাই, করম্বনা চাদে খঙদোকপা ঙমগনি। য়েন মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা নোংমদা অহুল্লক থোক্লা পীজবীগনি। মসিনা য়েন্না মচিঞ্জাক চাই-চাদে লায়না খঙদোকপা ঙমহল্লি। মচিঞ্জাক চাদবা য়েনশিংদু তোঙান্না থম্বীরগা লায়না লাইওং য়েংবীদুনা মদুগী মতুংইন্না অখঙ অহৈগা তানবীরগা লায়েংবীগনি।

অসুম্না অসিগুম্বা চেকশিন থৌরাং কয়া অসি লৌবীদুনা অৱাবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনমিনরসি। ●

# ইফেক্টস ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জ ইন ফিসরিজ এন্দ এক্বাকলচর

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বদি মালেমগী ওইনা নৎত্রগা করিগুম্বা মফম অমগী ক্লাইমেট পেটর্ন হায়বদি অইং-অশাগী চাংদা অহোংবা লাকপা অদুবুনি। ক্লাইমেট চেঞ্জনা ফিসরিজ অমসুং এক্বাকলচরদা চৈথেং কয়া পীরি। খুদম ওইনা হায়রবদা Estuarine Fisheries, Mangroves, Wetlands, Coral reefs, Sea grass Beds, তুরেলশিং, ঙাগী মশীং অমদি ঙা মরূম কোকপা অমদি মচা পুথোকপদা অচৌবা চৈথেং পী।

**ঙাদা অকায়বা পীবা মরুওইবা থৌওং খরদি :-**

১) Ocean Acidification : হায়রিবা থৌওং অসিদা ঈশিংদা য়াওবা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈশিং শিলহল্লকই অমদি কার্বোনেট অমসুং বাইকার্বোনেটকী চাং হন্থরকই। মরম অদুনা সমুদ্রদা লৈবা ৱাইখু, খজিং, লোবষ্টরস, কোরেলনচিংবা জীবশিংনা কেলসিয়ম কার্বোনেটনা শেম্বা মকুশিং শেম্বা ঙল্লক্তবদগী অৱাবা মায়োক্লে। অসুম্না কোরেলগুম্বা জীবশিং শিজিল্লকপদগী ঙা কয়াগী মচাশিংনা লৈফম ওইরিবা মফমশিং মাঙশিল্লকপদগী ঙা কয়াগী মশীং হন্থরকপগী অৱাবা মায়োক্লরি।

২) Shift in distribution of fish spices : হায়রিবা থৌওং অসিদা সমুদ্রগী ঈশিংগী টেম্পরেচর অসি হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ঙাশিং অসি মখোয়না হৈনবা অমদি পামজবা টেম্পরেচর অদু ফংননবগীদমক্তা পোল লোমদা চঙশিনখি।

৩) করিগুম্বা ঙা মখল খরদি মখোয়না হান্না লৈবা ঙমদবা মফমশিং শাগৎলকপনা মরম ওইদুনা ত্রোপিকেল ফিশশিংনা লৈননবগী মফম অসি চাউথোরকই। খুদম ওইনা হায়রবদা জেব্রা মুসেলস, লাইওনফিশ অমসুং জেলিফিশশিং অসিগী লৈফমশিং অসি চাউথোরক্লি।

৪) ক্লাইমেটকী মতুংইন্না ঈশিংগী অঙৈং-অশা, থুমহি চেনবগী চাং অমসুং ঈশিংগী ঈরৈ খেন্নবগী মতুংইন্না ঙাগী মচিঞ্জাক ফংবগী চাং খেন্নহল্লি অমদি মচিঞ্জাক্কী মতুংইন্না ঙা ফংবগী চাং হন্থহন্দুনা ঙা ফাবগী চাংসু হন্থহনবনা ঙামীশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি।

৫) গ্রীন হাওস গ্যাসশিং থাদোরকপদগী অচৌবা চৈথেং পীরি।

৬) সমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলকপগী মতুংইন্না সমুদ্র মপান্দা লৈরিবা লমশিং থুমজিনখিদুনা Mangrave অমদি Sea grass Bed শিংদা অহোংবা পীদুনা ঙা মচাদা অকায়বা পীবা, গ্রাউন্দ ৱাটরশিংদা সোল্ট ৱার্টর হায়বদি থুমহি চেনবা ঈশিং চঙশিনবা অসিনচিংবা কয়া থোকহন্দুনা ইকোসিষ্টেমদা অকায়বা কয়া পীরি।



৭) টেম্পরেচর হেনগৎলকপগী মতুংইন্না গঙ্গা রিভরদা ইন্দিয়ন মেজর কার্পকী মচা ফংবগী চাং হন্থরক্লি।

৮) শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ন মেজর কার্পসকী মচা পুথোকপা অসি মার্চকী হৌগৎলকপদা হৌবা ঙল্লে। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা থৌওং অসি হেটচরিশিংগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা অমা ওইরি। অদুবু মহৌশাগী ঈশিংদদি মার্চ থাদা নুংশাদি শারগা নোংজুগী চাং নেম্বনা ঙাশিংনা মরূম কোকপা ঙমদবগী খুদোংচাবশিং মায়োক্লরি।

৯) আইলেন্দ ৱাটর হায়বদি সমুদ্র নত্তবা কংফালগী শরুক্তা লৈরিবা ঈশিংগী শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী ঈশিংদা লৈজরম্বা ঙাগী মশীং হন্থহনবা, ঈশিং ফৎলক্তবা, ঈকংথাগী মতমদা ঙা য়াম্না শিবা, লায়না-তীলনাগী চাং হেনগৎলকপা অমদি ঙাগী মচিঞ্জাক ৱাৎশিল্লকপা অসিনচিংবনি।

১০) অকোয়বগী ফীভম শাগৎলকপা অমদি নোংজুগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা ঈকং অমসুং ঈচাও থোকপগী চাং হেনগৎলক্তুনা ঙাদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মসিদসু নত্তনা অঙৈংবা মফমদা শাগৎলকপদগী ঙা থুনা চাওগনবা অমদি শাবগী মতম শাংলকপা মরম্না ঙা থুনা চাওগনবা মতম শাংদোকহনবা অসিনি।

১১) রিপ্রদক্সন ষ্টেজ খুদিংমক হায়বদি গেমেটোগোনেসিস অমসুং গেমেটিক মেচুরেসন ওভুলেসন নৎত্রগা স্পর্মেসন, স্পোরিং অমসুং কেষ্টলি দিভলপমেন্ট ষ্টেজ অসি ঈশিংগী অঙৈং-অশাগী চাংনা অচৌবা চৈথেং পীরি।



১২) অঙৈংবা মফমদা হৈনবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা Rainbow Trout, Mahaseer, Snow Trout অসিনচিংবা ঙাশিং অসি ঈশিংগী অঙৈং-অশা খেন্নবদা য়াম্না সেন্সিটিভ ওইবা মরম্না ঈশিং খজিক্তুং শাগৎলকপদা মরূম কোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

১৩) হান্ননা ঙাগী মেচুরিটিসি খরা চাউরগা ওইরম্বদু অপিকপা ঙাদসু মেচিওর ওইরকপা কয়া শাগৎলকপগী মতুংইন্না থেংনরি অমদি Gonado Somatic Index অসি নোং চুদবনা মরম ওইদুনা অসুক্কী মতিক হন্থবসু থেংনরি।

১৪) পোলর আইস হায়বদি পোলরদা ফমজিন্দুনা লৈরিবা উনশিং অসি শৌদোরকপনা মরম ওইদুনা সমুদ্র মপান্দা লৈবা মফমশিং থুমজিনখিদুনা Mangrove কী মফমদা হেনগৎহল্লি অমদি এগ্রিকলচরেল লেন্দশিংবু থুমজিনখিদুনা এক্বাকলচর হায়বদি ঙা য়োকপগীদমক অনৌবা মফম কয়া পীরি।

১৫) ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেম পূম্বগী ওইনা প্রোটিন অমসুং শেল-থুমগীদমক্তা ফিসরিজ অমসুং এক্বাকলচরগী মখা পোন্না হিংলিবা মীশিং অসি মিল্লিয়ন ৫৪০নি। হায়রিবা মীওইশিং অসিদসু ক্লাইমেট চেঞ্জনা অচৌবা চৈথেং পীরি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা ঙাদা পীরিবা চৈথেং অমদি মসিগী মতুংইন্না করি-করি চেকশিন থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু ফজনা থিজিল্লবা মতুংদা তৌবা য়াবা পোরম কয়া য়াৎথোক্লগা চেকশিন থৌরাং পায়খৎলবদি ক্লাইমেট চেঞ্জনা ঐখোয়দা পীগদৌরিবা চৈথেংশিংদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি। ●

# লৌউ-শিংউবদা এজোসপিরিল্লুম অমসুং এজোটেবেক্টরগী মরু ওইবা

ডো. ৱাইখোম জিতেন


নোংম-নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা মীয়াম অসিবু পীজবা কোন্ননবগী পান্দমদা অহেনবা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক শীজিন্নরিবা খূৎশেমগী হার, তিলহাৎ হীদাক, নাপী হীদাক অমদি মখল মখা কয়াগী হীদাক লাংথকশিং অসিনা পোত্থোক হেনগৎহল্লবসু মসিনা অকোয়বগী খলদা অসুক্কী মতিক অকায়বা পীরি। মরম অসিনা হৌজিক্কী মতমদা ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট হায়রগা খঙনবা পান্থীদা মচিঞ্জাক পীনবগীদমক খূৎশেমগী হার খক নত্তনা ঐখোয়গী য়ূম অমদি লৌউ-শিংউবগী শিনফমদগী থোরক্লিবা ফত্ত-হাওদিশিংনা শেম্বা হার অমদি বাইও-ফর্টিলাইজর মখল মখা কয়ানা তোঙান তোঙানবা চাংদা পুনশিন্দুনা শীজিন্নবগী কাঙলোন অসোমদা হেন্না মায় ওনশিল্লক্লি।

তোঙান-তোঙানবা বাইওফর্টিলাইজরশিংগী মনুংদা এজোসপিরিল্লুম অমসুং এজোটোবেক্টর হায়বা অহিংবা জীব মখল অনী অসিনা নুংশিত্তা মরাং কায়না য়াওরিবা অদুগা পান্থীশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মচিঞ্জাক অমা ওইরিবা নাইত্রোজেন হায়বসিবু ফাজিন্দুনা পান্থীদা ফংহল্লি। বাইওফর্টিলাইজর হায়বসিনা চাং য়ামজদ্রবসু ঐখোয়না পাল্লিবা পান্দম অদু ফংহল্লিবগী মরু ওইবা মরমদি বাইওফর্টিলাইজর গ্রাম অমদা অহিংবা জীব ক্রোর অমদগী হেন্না য়াওই। লৌফমদা য়াওজবা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং অসি ঐখোয়না থারিবা পান্থীশিংনা লেপ্তুনা লৌথোকখিবনা মরম ওইদুনা ময়েং তারকই।

অসুম্না লৌফমদগী মাঙখ্রবা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং অসি খূৎশেমগী হারখক্তনা মহুৎ শীনজিন্নবা মতম শাংনা শীজিন্নরকপদগী ঐখোয়গী লৌফমদা মওং কয়াগী অকায়বা পীদুনা পোত্থোক হন্থহল্লি। বাইওফর্টিলাইজরশিং অসিনা খূৎশেমগী হারগী অপূনবা শরুক্কী চাদা ২৫ ফাওবগী চাং মহুৎ শীনজিনবা মতমদা পোত্থোক-চাথোক্তা করিগুম্বা অকায়বা অমত্তা পীদে অদুবু লৌফম অদুদা খূৎশেমগী হার লিশাং শিংনা শীজিন্নবদগী থোক্কদবা অমাঙবা অদুদগীদি হন্থহল্লি। এজোটোবেক্টর অমসুং এজোসপিরিল্লুম শীজিন্নবনা খূৎশেমগী নাইত্রোজেন য়াওবা হার য়াম্না শীজিন্নবদগী ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিংদা মোৎশিনগদবদগী খরতা ওইরবসু কনবা ঙমই।

এজোটোবেক্টর অমসুং এজোসপিরিল্লুমনা নুংশিৎতা য়াওবা নাইত্রোজেন ফাজিন্দুনা মখোয়গী সেলদা য়াওবা প্রোটিনশিং শুংই। মখোয়না শিরবা মতুংদা মখোয়দা য়াওরম্বা প্রোটিনশিং অসিনা পান্থীনা শীজিন্নবা ঙমগদবা নাইত্রোজেনগী মওংদা ওন্থোক্তুনা পান্থীশিংদা ফংহল্লি। এজোটোবেক্টর অমদি এজোসপিরিল্লুমনা চহীদা লৌ পরি অমগী লৌফমদা নাইত্রোজেন কেজি ২০-২৫ ফাওবগী চাংদা ফাজিনবা ঙমই। বাইওফর্টিলাইজর মখল অসিনা নুংশিত্তা য়াওবা নাইত্রোজেন ফাজিনবা খক নত্তনা নাইত্রোজেন, ফোসফরস, আইরন অমদি জিঙ্কনচিংবা পান্থীগী মচিঞ্জাকশিং চুপখৎপদসু মতেং পাংই। অমরোমদা অমুকসু বাইওফর্টিলাইজর মখল অসিনা পান্থীবু থুনা চাওখৎহনবা/মপূং মরৈ ফাহনবদা মতেং পাংবা কেমিকেল (গ্রোথ হোর্মোন) শিং পুথোক্তুনা হৌরিবা পান্থীশিংদা কান্নবা পী। পঞ্জিখ্রিবশিং অসিগী মথক্তা বাইওফর্টিলাইজর মখল অসিনা পুথোকপা করিগুম্বা মহী মখল খরনা পান্থীশিংদা লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই মখল খরদা হৈনদবা পোকহন্দুনা লৌফমদা লৈবা ঙমহন্দে। মরম অসিনা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং অসি শীজিন্নবা লৌফমদা লায়না তাবগী চাং নেমই।




এজোটোবেক্টর তোৎলবা মরূনা হুনবা পান্থী নৎত্রগা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং অসি শীজিন্নবা লৌফমদা পান্থীশিংনা হেন্না চাওখৎহল্লিবা, লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঙল্লিবগী মরুওইবা মরমদি অসিগুম্বা পান্থীশিং অসিনা ভিটামিন, এমিনো এসিদ, হায়দ্রোজেন সাইনাইদ, সিদিরোফোরস লোয়ন-লোয়ননা ইন্দোল এসিটিক এসিদ, জিবেরেলিক এসিদনচিংবা কয়া পুথোক্তুনা মরূশিং থুনা মতোন চোংবা, মউ অমসুং মরা ফগৎহনবগা লোয়ননা লায়না থোকহনবা ঙম্বা মহীকশিংবু হাৎপা ঙম্বা মহীশিং থাদোরকপনি।

এজোসপিরিল্লুম তোৎলবা মরূনা থাবা পান্থীশিংনা মপূং ওইনা মরূ মরা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা পান্থীবু থুনা চাওখৎহল্লি অমদি ওক্সিন হায়রগা খঙনবা পান্থীবু চাওখৎহনবা ঙম্বা কেমিকেলশিং থাদোরক্তুনা পোত্থোক চাথোক হেনগৎহল্লি। অমরোমদা অমুক এজোসপিরিল্লুমনা হৌরিবা পান্থীশিংদা কা হেন্না য়াকপা অমদি অশিনবা লৈবাক লৈহাওদা খাংবা ঙম্নবা অমদি ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবদা ঙম্বা কেমিকেলশিং থাদোক্তুনা পান্থীশিংনা থুনা চাওখৎহনবদা মতেং পাংই।

তোঙান তোঙানবা পান্থীশিং খুদম ওইনা ফৌ, গেহু, চুজাক, অতৈ মহৈ মরোং, উহৈ-ৱাহৈ অমদি মনা-মশিংদা এজোটোবেক্টর নৎত্রগা এজোসপিরিল্লুম অনী অসিগী মনুংদা অমা হেক্তমক শীজিন্নবিবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ফৌগীদমক্তি ঈশিং কুইনা তুংদুনা লৈগদবা লৌফম ওইবনা এজোসপিরিল্লুমনা হেন্না ফৈ।

শীজিন্নবগী মওংশিং :-

(ক) মরূদা তোৎপা : মরূ কেজি অমদা বাইওফর্টিলাইজর মখল অসি গ্রাম ২০গী চাংদা তোৎপীগনি। গ্রাম ২০গী বাইওফর্টিলাইজর অদু ঈশিংদা চিনি অঙাংবগা শেম্বা মহী নৎত্রগা চবোল মিলিলিটর ২০গা থিৎপীগনি অদুগা মরূদা তোৎলবা মতুংদা উরুম অমদা পুঙ্খায় অমগুম্বা থম্বীগনি । অসুম্না বাইওফর্টিলাইজর তোৎলবা মরূশিং অদু পুং ২৪গী মনুংদা থাদোকপীগদবনি।

(খ) লিংথোক্কদবা পান্থীদা বাইওফর্টিলাইজর শীজিন্নবা :- এজোটোবেক্টর/এজোসপিরিল্লুম গ্রাম ২০০ ঈশিং লিযর অমগী চাংদা হাপ্পীরগা থিৎপীরবা মহীদা লিংথোক্লবগীদমক ফুকপীরবা চারা অদু মিনট ১০-৩০ ফাওবগী চাংদা তিংদুনা থম্বীরবা মতুংদা থাদোকপীগনি।

(গ) পোৎ থাগদবা লৌফমদা চাইথোকপা :- লৌফমদা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং অসি চাইথোকপীনবগীদমক লৌ পরি অমগী লৌফমদা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং অসিদগী কেজি ২.৫-৫ ফাওবগী চাংদা লৌবীরগা কম্পোষ্ট নৎত্রগা ষষ্থি-ষণয়ুংগী হার কেজি ২০০দগী ৫০০ ফাওবগা লোয়ননা তোৎশিনবীগনি অমদি পোৎ থাগদবা পুং ২৪গী মমাঙদা লৌফমদা চাইবীরগা খোইজিন্দুনা তোৎশিনবীগনি।

অসুম্না এজোটোবেক্টর নৎত্রগা এজোসপিরিল্লুম হায়বা বাইওফর্টিলাইজর মখলশিং অসি শীজিন্নবীদুনা শেলজং হন্থহন্নবা অকোয়বগী খল ঙাক্লা থম্নবা, কা হেন্না মীপাল তাংদবা মওংদা পোত্থোক চাথোক পুথোকপা ঙম্নবগী ওইবা মওংদা চঙশিল্লসি। ●